# মিলিটরি জুন্তা কোর্টনা মরম চাদনা ওং সান সু চিবু তোইনা কোর্টতা কৌবনা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লহল্লে



য়াঙোন, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
ম্যান্মার মিলিটরিনা কূ তৌদুনা মফমদগী নম্ফুদা লৌথোকখ্রবী মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু মরম চাদনা মিলিটরিনা চলাইবা কোর্ট অমনা য়াম্না তোয়না সম্মোন তৌবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লহল্লে হায়না নুপী লুচিংবী অসিগী লোয়র খিন মোং জো না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবী মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লক্লে। মহাকপু অফবা হোস্পিটালদা পুদুনা ট্রিটমেন্ট চথনবা খঙহনখ্রবসু মিলিটরিনা মহাকপু অদুমক ময়ুমদা ফাজিন্দুনা থল্লি। লুচিংবী অসিগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লে হায়বা খঙনা খঙনা মিলিটরি কোর্ট অমনা চিবু য়াম্না তোয়না কোর্টতা লাক্লনবা সম্মোন তৌখি। মসি লোগী ৱাংমদনি।

মীয়ামগী লুচিংবী সু চি গী মথক্তা ম্যান্মার মিলিটরিনা করপসন অমদি অতোপ্পা কেস কয়া চার্জ তৌরি। মিলিটরিগী পান্দমদি মীয়ামগী লুচিংবী অসিবু মরাল অমা নৎত্রগা অমা পীশিন্দুনা চহী চুপ্পা জেলদা ফান্দিনা থম্বনি। লোয়র অমা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী লুচিংবী অসিবু কন্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। সু চিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মহাকপু চায়োল অমগী মনুংদা কোর্টতা অমুক অমুক লাক্লবা খঙহনখিবা অদুগী মহুত্তা চায়োল অনীগী মনুংদা অমুখক কোর্ট কারকপদা অয়াবা পীনবা হায়জখ্রে। অথুবা মতমদা মহাক্কী হিয়ারিং চথনবসু জজশিংদা খঙহনখ্রে।

ম্যান্মার মিলিটরিনা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসিগী চপ চাবা খুদম হৌজিক লৈরিবা জুন্তানা পুথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা লুচিংবী অসিগী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা ঙমদবনি। সু চিগী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়বা লৈবাক অসিগী মীয়ামখক্তা নত্তনা মালেমগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। মসিনা মরম ওইরগা লুচিংবী অসিগী ট্রাইয়েল অসি য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা মশাগী চহী ৭৬ রোম শুরবী মীয়ামগী লুচিংবী অসিগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবা অসি খুদোংথিনিঙাইনি। মরম অদুনা জুন্তা লৈঙাক্না মহাকপু অথুবদা অফবা হোস্পিটাল অমদা ট্রিটমেন্ট চথগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা ম্যান্মার মিলিটরিনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু কূ তৌদুনা নম্ফুদা ইন্থুরবা মতুং মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চি য়াওনা পোলিটিকেল লুচিংবশিং ফাজিন্দুনা থমখিবনি। মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা মুক্নবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মীয়ামগী খোঙজং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মীংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হৌজিক ফাওবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,২০০গী মথক্তা হাৎখ্রে অদুগা কয়া অমনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লাক্লি। অমদি লৈবাক অদুগী করেন্সি ভেল্যু চাদা ৪০ হেন্না হন্থখ্রে।

# কাবুল মোস্ক এটেক্কী মতুং আই এস আই এস সেল অমা থুগায়খ্রে : টালিবান



কাবুল, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা মোস্ক অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপকী মেম্বরশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা এটেক চথদুনা মীওই ৫ হাৎখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা টালিবান ফাইটরশিংনা আই এস আই এস সেল অমা থুগায়খ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী মকোকথোংবা ৱাঙাংলোয় জবিহুলাহ মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা, ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মেম্বরশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা এটেক অদু চথুরকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা কাবুলগী অকোয়বদা থি-হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বরশিংনা শীজিন্নবা বিল্ডিং অমা থেংনখি। খুদক্তা টালিবান ফাইটরশিংনা বিল্ডিং অদুবু কোয়শিন্দুনা এটেক চথখি। মদুদা বিল্ডিং অদু মপুং ফানা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা মদুদা লৈরম্বা ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বর খুদিংমকসু হাৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ি অমসু ওইরিবা অবদুল রহমননা ফোঙদোকখিবদা, মশিং য়াম্লবা টালিবান ফাইটরশিংনা মহাক্কী য়ুম মনাক্তা লৈবা অতোপ্পা য়ুম অহুমদা অকনবা মওংদা এটেক চথখি। পুং খরা মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল লেপ্তুনা তাখি। নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল অদুনা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অহিং তুম্নখিদে।

টালিবান ফাইটরশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বরশিং খোঙ্গুল লীরকখিবা মাল্লি। থৌদোক অদুদা আই এস মেম্বর কয়া হাৎখ্রবগে অমদি কয়ানা ফাদুনা পুখিবগে হায়বদি চপ চানা খঙবা ঙমদে। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি হায়বসিদি য়ুমথংনরিবা খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি মমাং চায়োলদা টালিবানগী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় জবিহুলাহ মুজাহিদ লৈখিদবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা এটেক অদু চথুরকখিবনি। ইদ গাহ মোস্কতা পাঙথোকখিবা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌরম অদুদা আই এস ওইরম্বা য়াই চিংনবশিং অদুনা এটেক চথুরকখিবনি। এটেক অদুদা মীওই ৫ শিখিবগা লোয়ননা ১১ অশোক অপন নংখি। শিখ্রবা অমদি শোক্লবশিংগী মনুংদা মীচম খরা য়াওই হায়রি।

# দেল্টা ভেরিয়েন্টনা মরম ওইরগা ওকলেন্দদা মখা তানা লোকদাউন থমখিগনি: পি এম

ৱেলিংটন, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীদুনা মীশি মীনা কয়া থোকহনখ্রবসু ন্যু জিলেন্দদদি লায়চৎ অসিনা কা হেন্না চৈথেং পীবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা ওগষ্ট থাদা লৈবাক অদুগী মনুং চনবা ওকলেন্দদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টাগী কেস খরা থেংনখ্রবা মতুং মফম অদুদা লোকদাউন থমজিন্দুনা লাকখিবনি। ওকলেন্দদা হৌজিকসু লায়চৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থরক্তবা মরম্না মখা তানা লোকদাউন থমখিগনি হায়না লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা এর্দননা ফোঙদোরক্লি।

মালেমদা কোভিদ-১৯ না অহানবা ওইনা চৈথেং পীবা হৌরকপগা লৈবাক অসিনা ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দুনা য়াম্না চেকশিন্না লৈবাক অসিদা কোভিদ লায়না লায়চৎ শন্দোরক্তনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। কোভিদকী কেস অমত্তা লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নগীদমক লৈঙাক্না কন্না হোৎনরবসু মায় পাকপদি ঙমখিদ্রে। অদু লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা শুপ্নতগী মীওই ২৭ তগী হেন্না শিহনবা ঙমদ্রি।

লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা কন্না হোৎনরবসু চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা দেল্টাগী কেস খরা ওকলেন্দদা থেংনরকখিবনি। নৌনা থেংরকখ্রবা কেস অসি মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা হৌজিকমক্কী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি। মরম অদুদা লৈবাক অসিদা হান্না লৈরম্বা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চৎন-কাংলোনশিংগী মতাংদা অহোংবা খরা লৈরগনি। ওকলেন্দ নত্তবা লৈবাক অদুগী অতোপ্পা মফমশিংদা মীয়াম্না লৈঙাক্কী নিয়ম মতুংইন্না হান্নগুম থবক তৌবা য়ারগনি। অদুবু ওকলেন্দগী ওইনদি মখা তানা অথিংবা লৈখিগনি।

ওকলেন্দ সীটিদা মখা তানা লোকদাউন থমজিন্নবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখ্রবসু হান্নগা মান্নদবা অহোংবা খরদি লৈগনি। চায়োলগী ওইনা মরী লৈনবশিংনা ওকলেন্দগী ফিভম য়েংশিনগনি। অমদি অথুবা মতমদা সিটি অদুগী মীওইশিং হান্নগুম লৈহন্নবা হোৎনগনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্না শেমখিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# ক্রোস-বোর্দর হোটলাইন অমুক রিষ্টোর তৌখ্রে



সিওল, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
মতম শাংনা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া অনীগী মরক্তা পাউ ফাউনরুদ্রবা মতুং ঙসিদগী হৌরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা অমুক পাউ ফাওনবা হৌখ্রে হায়না নাকল অনীমক্কী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চায়োল খরা অসিদা কোরিয়া লৈবাক অনীমক্না মিসাইলশিং কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখ্রবা মতুং ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ঙরাং য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নখিবনি। মদুগী মতুং য়াম্না থাজদবা মওংদা লৈবাক অনীনা হান্না লৈরম্বা ক্রোস বোর্দর কম্যুনিকেসন অমুক রিজ্যুম তৌরকখিবনি।

য়েংথিনরিবা লৈবাক অনীমক্কী ওফিসলশিংনা হান্নগুম নাকল অনীগী মরক্তা পাউ ফাওনবা হৌরে হায়না কনফার্ম তৌরকখ্রে। চহী অসিগী ওগষ্ট থাদগী পাউ ফাউনরুদ্রবা মতুং ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা পাউ ফাওনরকখিবনি হায়না সিওগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি। মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোরিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা পাউ অমুক হন্না ফাওনবা হৌখ্রবনিনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈনরিবা চয়েৎনবশিং ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙন্নগনি। পোলিটিকেলগী থাক্তা নাকল অনীগী লুচিংবশিংনা ৱারী শাদুনা ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরক্লবা হোৎনবনা লৈবাক অনীমক্কী অফবা ওইগনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনসু ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা মিলিটরি লুচিংবশিংগী মরকতা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। অথুবা মতমদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা হায়বসি সাউথকী অপাম্বনি। নোর্থনসু য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবদা অয়েৎপা পীরকপা য়াবা থবকশিং তৌদনবা অপিল তৌরক্লি। পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অননা কোরিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অসিগী মতাংদা খন্নবা পাম্বগী মোত ফোঙদোকখ্রবামতুং ঙসিদগী হৌরগা নাকল অনীনা পাউ ফাওনবা হৌখিবনি হায়রি।

# অহানবা ওইনা রসিয়ানা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
রসিয়ানা ঙসি ইহান হানবা ওইনা সিরকোন হায়পরসোনিক ক্রুইজ মিসাইল অমা সবমেরিনদগী মায় পাক্লা কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখিবা অদুবু লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ভ্লদিমির পুটিননা হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, বারেন্ট সিগী শরুক্তা হায়পরসোনিক মিসাইল অদু চাংয়েং ওইনা পাঙথোকখিবনি। মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখ্রবা মিসাইল অসিনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি সিষ্টেমদা অচৌবা ইনোৎ অমা পীবা ঙম্লগনি। মিসাইল মখল অসি শান্না পায়বা ঙম্মী হায়রি।

# প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা রোমানিয়ন বিল্লিনিয়র শিখ্রে

মিলান, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
ইটলিগী অৱাং থংবা শরুক্তা ঙসি মীওই ৮ তোংদুনা পায়খিবা অপীকপা প্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা প্লেন অদুদা তোংখিবা রোমানিয়ন বিল্লিনিয়র দান পিট্রেসকু য়াওনা মীওই ৮ মক শিখ্রে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, থৌদোক অদু মিলানদা থোকখিবনি। অপীকপা প্লেন অদু মিলানগী লিনাটে সিটি এয়রপোর্টতগী পায়খৎখিবনি। সার্দিনিয়া আইলেন্দ তম্না পায়বগী লম্বীদা প্লেন অদু কায়খিবনি। সার্দিনিয়া তম্না পায়খিবা প্লেন অদু বিল্লিনিয়র দান মশানা পাইলোট ওইদুনা পায়খিবনি। প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওইশিং অদুসু মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং ঙাক্তনি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা ফোঙদোক্লরকখিবদা প্লেন অদু এয়রপোর্টতগী পায়খৎলক্লবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা মথোল অনী ৱাংবা বিল্ডিং অমদা থেংজিল্লবা মতুং কায়খিবনি। থৌদোক থোকফমদা পুলিস পর্সনেলশিং চঙশিন্দুনা য়েংশিনখ্রে অমদি প্লেন অদুগী ব্লেক বোক্স রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। থৌদোক অসি য়াম্নমক লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়না ফায়র ওফিসর কার্দিনালিনা ফোঙদোরক্লি।

# প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খান মফম থাদোক্লবা তকশিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
মালেমদা লৈরিবা লুচিংবশিং ফাইনান্সিয়েল রেকোর্দশিং মেন্টেন তৌরিবা মীয়াম্না পেন্দোরা পেপর্স হায়রগসু খঙনরিবা দোক্যুমেন্টশিং লীক ওইরকখ্রবা মতুং মদুদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খানগী মমিং য়াওরম্বা থেংনখ্রে। থৌওং অসিবু লৈবাক অদুগী ওপোজিসন পার্টি অমদি পাকিস্তান মুস্লিম লীগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

পি এম এল-এনগী জেনরেল সেক্রেটরি অশান ইকবালনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, পেন্দোরা পেপরদা ইম্রান খানগী মমিং য়াওরম্বা অসিনা মরম ওইরগা মহাকসু করপসনগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। মরম অদুনা মশানা খঙনা মোরেল গ্রাউন্দদা মফম থাদোকফম থোকই। মশানা মশাবু এন্টি করপসনগী হেরোনি হায়দুনা লাকখিবা ইম্রান খানগী মতম লোইরে। হৌজিক্তি মহাক্কী অশেংবা মশক অদু মীয়াম্না তপ্না তপ্না খঙনরক্লগনি। মহাক্কী পেন্দোরা বোক্স অথুবা মতমদা পি এম এল-এন না মীয়াম মমাংদা হাংদোক্তুনা উহল্লগনি হায়না ইকবালনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

HL-P/0200/29/9-5/10

# অবি অহমদ অনীরকশুবা ওইনা ইথিওপিয়াগী পি এম ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

অদিস অবাবা, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
ইথিওপিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদপু অনীরকশুবা ওইনা লৈবাক অদুগী পি এম ওইনা খনখিবগা লোয়ননা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস মীজা অশেনাফিগী ওফিসতা অবিবু অনীরকশুবা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসকী স্পিকর অমসুং দিপ্যুটি স্পিকরসু শরুক য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং অবিনা ফোঙদোকখিবদা ইথিওপিয়াগী টিগ্রে রিজন্দা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌরমশিং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। মহাক্না লৈবাক অদুদা অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌ পুরকখ্রবা মতুং রিজন অদুদা হান্না লৈরম্বা টিগ্রে পিপলস লবিরেসন ফ্রন্টপু মপুং ফানা তকথোকপা ঙমখিবনি। অদুবু অমুক হন্না টি পি এল এফকী মেম্বরশিংনা রিজন অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরক্লি। মসি কৈদৌনুংদা মায় পাকহল্লোই হায়রি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৬ তা অবিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরকখ্রবা মতুং টিগ্রে রিজন্দগী টি পি এল এফপু তকথোক্লবা হোৎনবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখিবনি।

# হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদাবু জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে

টোকিও, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
মালেমগী ওইনা অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমিগী লৈবাক অমা ওইরিবা জপানগী হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টরসু ওইরল্লবা ফুমিও কিসিদাবু লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখিবগা লোয়ননা মায়কৈ কয়াদগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরক্লি।

মশাগী চহী ৬৪ শুরবা কিসিদানা মহাক্কী লম্বা তারো কোনোবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ফমগীদমক মায় পাকখিবনি। জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মায় পাকখ্রবা কিসিদানা ফোঙদোকখিবদা লোমেকরশিংনা মহাকপু মায় পাকহনখিবা অসি হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎলি। মতম কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অসিদা অওনবা অমা পুরক্লবা মহাক্কী ওইবা মঙলান অমা লৈজে। মহাক্কী কেবিনেট কলিগশিংগা খন্নদুনা জপানবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি। হিরম খুদিংমক্তা মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংদগী মাংজিল থানা চৎপা হায়বসি মহাক্কী মঙলান্নি। হোৎনববু লেপ্পুবদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মায় পাক্লকখ্রবা কিসিদাবু অতোপ্পা লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়ানা থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কিসিদাবু থাগৎ ৱাহে ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা পি এম অসিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অনীগী অফবা মরী শেম্নবা পান্দম থল্লি হায়রি।

# চাইনা অমসুং পাকিষ্টাননা টালিবানগী মতেং পাংবা মথৌ তাই

বৈজিং, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা নৌনা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবান লৈঙাকপু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা রিকগনাইজ তৌখিদ্রবা মতুং টালিবান লৈঙাক্না মীয়ামদা থমখিবা থাজবা অদু থবক্তা ওন্থোকহন্নবা হোৎনবদা চাইনা অমদি পাকিষ্টাননা মতেং পাংবা মথৌ তাই হায়না বৈজিংগী থিঙ্ক টেঙ্ক গ্রুপ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখিবা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক অসি মপুঙ ফাবা লৈঙাক অমা ওইহন্দুনা লালহৌলূপ অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং ঙাক্না চৎহনবা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাই। অফঘানিষ্টানদা অতোপ্পা লালহৌলূপশিংগী চঙজফম পীরোই, লৈবাক অসিদা অল কাইদাগুম্বা লালহৌবশিংনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা ওপরেট তৌহল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি চাইনানা তরাম্না ওকফম থোকই। মালেমদা লালহৌবগী প্রোব্লেম লোইশিন্নবা হোৎনবদা টালিবানবু মেইনষ্ট্রিমদা হান্না পুরকপা মথৌ তাই।

ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনসু হিরম অসিগী মতাংদা ৱাখল মুন্না খন্থরবা মতুং থবক তৌরবদি তুংদা কান্নবা কয়া লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। হৌজিক অফঘানদা লৈরিবা টালিবানশিং অসি অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি তুংদা মালেমগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরবা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অদুনা অফবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবগীদমক মখোয়বু গাইদ তৌগদবনি হায়রি।

# ওমান অমসুং ইরানদা সাইক্লোননা মীওই ৯ হাৎখ্রে

মস্কেট, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
ট্রোপিকেল সাইক্লোন সাহনিনা ওমান অমসুং ইরানদা অকনবা চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা মীওই ৯ শিহনখ্রে অদুগা খরনা থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওমানদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন অসিনা মরম ওইরগা লেন্দস্লাইদ থোকহনখি। মদুদা মীওই ২ শীখি। অদুগা সাইক্লোন অদুনা থোকহনখিবা ঈচাওনা চহী নৌরিবা অঙাং অমা শিহনখি। লেন্দস্লাইদনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মফমশিংদগী রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা এসিয়ান ৱার্কর অনীগী অশিবা হকচাং থেংনবা ঙমখিবনি। মস্কেট প্রোভিন্সকী মনুং চনবা রুজে ইন্দিষ্ট্রিয়েল এরিয়াদা হায়রিবা মীওই অনী অসি ৱার্কর ওইনা লৈবনি।



ওমানগী নেসনেল কম্মিটি ফোর ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোভিন্স অসিমক্তদা ঈচাওনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাং অমা ঈরাক্লদুনা শিহনখ্রে। অদুগা মীওই ১ না হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মফম অদুদা মী থিবগী থবক কন্না চথুরি। ঈচাওনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী ফ্লাইট সর্ভিসশিং মতম খরগী ওইনা কেন্সেল তৌখ্রে। ওমানগী মফম অয়াম্বদা সাইক্লোন অসিনা মরম ওইরগা পুঙদা কিলোমিটর ১২০ গী চাংদা য়াঙবা নুংশিৎ শিৎলি। মস্কেটকী লম্বীশিংদা খামদুনা লৈবা গাড়ি অয়াম্বা ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। চাকা অনী পানবা গাড়ী মচা খরসু ঈচাওনা চেন্থুদুনা পুখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইরানগী সিষ্টান-বালুকেষ্টান প্রোভিন্সকী খা নোংপোক থংবা চাবাহার পোর্টকী শরুক্তা সাইক্লোন সাহিননা মীওই ৬ হাৎখ্রে হায়না দিপ্যুটি স্পিকর অলি নিকজাদনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইলেক্ট্রিকেল ফেসিলিটিশিং অমদি লম্বী কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। মখা তানা প্রোভিন্স অসিদা সাইক্লোন সাহিননা চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈরি। মীয়াম্না য়ারিবমখৈ চেকশিন্না লৈনবা অপিল তৌরক্লি।

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী শরুক খরদসু সাইক্লোন অসিনা তপ্না তপ্না চৈথেং পীবা হৌরকখ্রে হায়না ইমর্জেন্সি সর্ভিসনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

VIMIT
VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST
Limited Seat
ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2021-2022
Hostel Available
BBA Eligibility 10+2 BCA
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION
Affiliated to Manipur University
2 Months Certificate Course on Tally ERP9
Classes will start from 8th Oct. 2021
6th Months Certificate Course on DCA
Prospectus / Form available during office hours on any working days
Please contact: 9612333542/7005847770/7005613687
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com
Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal

ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7197/2/10-31/10